## ত্রম্পনা ফিলিপিন্সকী রোদ্রিগো দ্যুটর্টেবু ৱাশিংটনদা লাক্নবা ইনভাইট তৌখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ৩০ : মরূপ-মপাং ওইবা মওংদা ফোনদা ৱারী শানরদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা থাংজ নুমিৎতা ফিলিপিন্সকী মহাক্কী লেঙমান্নবা রোদ্রিগো দুটটর্টেবু ৱাশিংটনদা লাক্নবা ইনভাইট তৌখ্রে।

ৱারী শানবা অদুদা লুচিংবা অনীনা দ্যুটর্টেগী দ্রগকী মায়োক্তা চথ্থরক্লিবা লাল অমসুং লৈবাক অনীগী এলাইঅন্সকী মতাংদসু খন্নখি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্রাইমগী মায়োক্তা মহাক্না চথ্থরকখিবা মীওই লিশিং কয়া শিহনখিবা শাথিরবা ক্রেকদাউনগা মরী লৈননা দ্যুটর্টেনা মালেম পুম্বগী মীচৈ মীৎয়েংশিং মায়োক্নরকখি। হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা দ্যুটর্টেগী খোঙজং অদুদা মীশি-মীনা কয়া য়াওরিবদু মীওইবগী মায়োক্তা তৌবা ক্রাইমগা মান্নবা য়াই হায়না চেকশিন-ৱা পীখি।

হ্বাইট হাউসনা হায়খি, চপ মান্ননা হৌখিবা চহীদা মীখলদা মায় পাক্তুনা ওফিস পায়খিবা লুচিংবা অনীনা য়াম্না মরূপ-মপাং ওইবা মওংদা ৱারী শানখি। মখোয়না ফিলিপিন্সকী গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদগী দ্রগ মুথৎনবা হোৎনবা অমসুং নোর্থ কোরিয়ানা রিজনেল সিক্যুরিটিদা অকিবা পোকহনবগী মতাং য়াওনা হীরম কয়াদা খন্নখি।

# দোনাল্ড ত্রম্প হ্বাইট হাউসকী মিদিয়া দিন্নরদা য়াওখিদ্রে, পেন্সিলভান্যাগী রেলিদা ৱা ঙাঙখ্রে


ৱাশিংটন, এপ্রিল ৩০ :

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা লাংখিবা হ্বাইট হাউসকী কোরিস্পোন্দেন্টশিংগী দিন্নরদা শরুক য়াখিদ্রে। মদুগী মহুত্তা মহাক্না পেনসিলভান্যাগী হরিসবর্গতা কেম্পেয়্যন মওংগী রেলি অমা পাঙথোক্তুনা মহাক্কী থৱায় য়াওবা সপোর্টরশিংদা মহাক্কী কেম্পেয়্যনগী ৱাশকশিং ঙাকপা ঙম্লে হায়বসি খঙহন্দুনা ৱা ঙাঙখ্রে।

হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা মিদিয়া অমসুং মহাক্কী মরক্তা তাথিনবা হেনগৎলক্লিঙৈ তাল্লক্তা ত্রম্পনা ওফিস পায়রকপা নুমিৎ ১০০ নি শুবদা পাঙথোক্কদবা চহীগী ওইবা ব্লেক টাই দিন্নরদা মহাক য়াওরোই হায়না লাউথোকখিবনি।

ত্রম্পনা থাংজ নুমিৎকী হরিসবর্গকী রেলিদা তিনখিবা মহাকপু শৌগৎপশিংদা হায়খি মদুদি, ৱাশিংটনদা মিদিয়াগী কাঙবুগা পুন্দুনা লৈথোকপবুদি মহাক্না নুমিদাং অদু মহাক্কী সপোর্টরশিংগা পুনবনা হেন্না পামখি।

‘হৌজিক হৌজিকমক লৈবাক্কী কেপিটেলদা হোটেল অমগী বোলরূমদা হোলিৱূদকী এক্টরশিংগী অচৌবা গ্রুপ অমগা ৱাশিংটনগী মিদিয়া



কাঙবুগা অমগা অমগা নুংঙাইবা ৱাফমশিং হৌদোক্নদুনা মতম লেন্দুনা লৈরি হায়না মহাক্না হায়খি।

‘মখোয়না হ্বাইট হাউসকী কোরিস্পোন্দেন্টশিংগী দিন্নরদা প্রসিদেন্ট য়াওদনা পুন্দুনা লৈরে।’ হৌজিক ৱাশিংটনগী অদুগুম্বা মফমদুদগী মাইল ১০০ হেন্না লাপথোক্লগা নুমিদাং অসিদা য়াম্না হেন্না মশিং য়াম্বা অমসুং হেন্না ফবা মীয়ামগা পুনবসিদগী হেন্না নুংঙাইবা লৈরোই হায়না ত্রম্পনা মখা তাখি।

দিন্নরদুগী পুং খরগী মমাঙদা ত্রম্পনা ত্বীটরদা ফোঙদোকখি মদুদি, ‘ফেক মিদিয়ানা’ মহাক্কী মায় পাকপশিং মীয়ামদা খঙহনবা ঙমখিদ্রে।

‘মেনষ্ট্রীম (ফেক) মিদিয়ানা লেজিসলেটিব সাইনিং ২৮, বোর্দরশিং চেৎনা লিংনা থম্বা অমসুং অতৈ অতৈ পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা কয়া য়াওনা ঐখোয়গী এচিভমেন্ট কয়াগী শাংলবা লিষ্ট ফোংউ হায়বা য়াদ্রি।’ হায়না ত্রম্পনা ত্বীটরদা হায়খি।

ত্রম্পনা ইকোন কোনবা ওইনা হ্বাইট হাউসকী কোরিস্পোন্দেন্টশিংগী দিন্নরদা য়াওখিবসি ২০১১ দনি। মতমদুদা মহাক ন্যু য়োর্ককী রিয়েল ইষ্টেট মোগল অমসুং রিয়েলিটি-টিভিগী ষ্টার অমা ওইরম্মী।

মহাক বার্থর মুভমেন্টতা শরুক য়াশিন্দুনা পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিনখিবনি। মুভমেন্ট অসিনা (হান্নগী) প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাদা মহাক্কী বার্থ সার্টিফিকেট পুথোক্তুনা মহাক পোকখিবা অমসুং চাউরকখিবা লৈবাক অসিগী অশেংবা সিটিজন অমনি হায়বদু উৎনবা দিমান্দ তৌখিবনি।

## ব্রেক্সিটকী দিলনা চমন্নবা থোকহন্দনবা বৃটেন, ঈ য়ুদা আপিল তৌখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ৩০ : জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জে অবেনা ঙসি বৃটেন অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা নিংথিনা অমসুং ট্রান্সপরেন্ট ওইবা মওংদা শেৎতোক্নবগী ফীভম অমা লাকহন্নবা তকশিনখ্রে। য়ুরোপ্তা ওপন ট্রেদকী চৎনবী লৈবা হায়বসি মালেম পুম্বনা লুনা লৌনবা ৱাফম অমনি হায়রদুনা অবেনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অবেনা ঙরাং বৃটিশ পি এম টেরিসা মেগা উনখি অমসুং মঙোন্দা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা শেৎনরবা মতুংদসু মহাক্না য়ু কেগী ইকনমিদা মখা তানা থাজবা থমখিগনি হায়না থাজবা পীখি। জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ঙসি লন্দনদা প্রেস কন্ফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি।

তৌইগুম্বসুং মহাক্না চেকশিন-ৱা পীরদুনা হায়খি মদুদি, লমদম অসিগী মপানদা লৈবা ইনভেষ্টরশিং য়াওনা ষ্টেকহোল্ডর খুদিংমক্না ব্রেক্সিট মতুংগী বৃটেনদা য়াম্না ময়েক শেংবা তুংগী প্রোসপেক্ট কয়া লৈফম থোকই হায়না লৌফম থোকই। জপানিজ কম্পেনি ১০০০ হেন্না বৃটেনদা বিজনেস তৌবগা লোয়ননা লোকেল মীওই ১৪০,০০০ থবক পীরি অমসুং হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা জপানগী দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্টসু য়েন ত্রিলিয়ন ১০ (য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৯৬) হেনখ্রে।

# ক্যুবাগী মিলিটরি প্লেন কায়বদা ক্রুপ ৮ শিখ্রে

কারাম্বোলা (ক্যুবা), এপ্রিল ৩০ :

ক্যুবাগী মিলিটরি প্লেন অমা থাংজ নুমিৎতা লৈবাক অসিগী ৱেষ্টর্ন প্রোভিন্স অর্টেমিসাগী চীংমায় অমদা কায়খিবগা লোয়ননা মদুদা তোংখিবা ক্রুপ ৮ শিখ্রে হায়না ক্যুবান গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্রাস অদুগী মতাংদা ক্যুবাগী মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, সোভিয়েটনা শাখিবা এ এন-২৬ অদু অয়ুক পুং ৬.৩৮ তাবদা কেপিটেল হাভানাগী মপানদা লৈবা প্লায়া বরাকোৱা এয়রপোর্টতগী পায়খৎখি অমসুং মদু মফমদুদগী মাইল ৪০ (কিলোমিটর ৬৫) রোম লাপ্না কাতে দলারিয়া টাউনগী মপানদা কায়খি।

ক্রাস অদু থোকখিবা মতমদা নোং চীংগী ফীভম ফখি হায়রি। অখন্নবা কমিসন অমনা ক্রাস অদু থোকখিবগী মরমগী মতাংদা থিজিল্লগনি হায়না মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।




ওফিসলশিংনা খুদক্তা মখা তাবা অতৈ ইনফোর্মেসনদি ফোঙদোকখিদে।

‘অয়ুক পুং ৭ মুক তাবদা ঐহাক কেফে অমগী মমাঙদা ফমদুনা লৈরম্মী অমসুং ঐহাক্না এয়রপ্লেন অমা উখি। ঐহাক্না য়েংলিবগী মরমদি মদু খরা তপ্না অমসুং পাম্ল পাম্বীশিংদা শোকপা য়াবগী মওংদা পাইখি’ হায়না কারাম্বোলাদা রেগলা মারিয়া গলার্দো কৌবী নুপী অমনা হায়খি। ‘কারাম্বোলা অসি চীংশিংনা ইকোয় কোয়শিনবা অর্টেসিয়াগী কম্যুনিটি অমনি।’

‘মীৎকুপ খরগী মতুংদা ক্রাস অদু থোকখি।’

কারাম্বোলাদা লৈবা মীয়াম্না এম্বুলেন্স কয়া থুংলবা য়েংনখি। পুলিস অমসুং লান্মীশিংনা এক্সিদেন্ট মফম তাবা লম্বীদু থিংজিনখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১০ গী নবেম্বরদা সেন্টীয়াকাদগী হভানা তম্না পাইখিবা এরোকরিবীন ফ্লাইট অমা নোং চীংগী ফীভম ফত্তবদগী সেন্ট্রেল ক্যুবা লানবদা কায়খি। মদুদা ফোরেন্নর ২৮ য়াওনা প্লেনদুদা তোংবা মীওই ৬৮ মক শিখি। মদু চহী ২০ হেনবগী মনুংদা ক্যুবাগী খ্বাইদগী শাথিবা এয়র দিজাষ্টর ওইখি। কুমজা ১৯৮৯ দসু হভানাদগী ইটালিগী মিলান তম্না পাইখিবা চারটর্দ ক্যুবানা দি এভিএসিওন প্লেন অমা পাইখৎখিবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা কায়খি। ক্রাস অদুদা অতোংবা মীওই ১২৬ মক্না লোয়ননা য়ামদ্রবদা গ্রাউন্দগী মীওই ২৪ গা লোয়ননা শিখি।

## নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল চাংয়েংনা মরম ওইদুনা টৌকিয়োনা মেত্রো সিষ্টেম থিংজিনখ্রে

টৌকিয়ো, এপ্রিল ৩০ :

নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল কাপ্পগী মতাংদা চেকশিন-ৱা ফংবদগী টৌকিয়োগী অন্দরগ্রাউন্দ মেত্রো সিষ্টেমশিংগী মনুংদা অমনা মখোয়গী লাইন খুদিংমক মিনিট ১০ রোম থিংজিনখ্রে হায়রি।

টৌকিয়োগী মেত্রো ওফিসল হিরোসি টাকিজাৱানা হায়খি, ঙাইহাক্কী ওইনা মেত্রো সিষ্টেম সসপেন্দ তৌখিবদুনা পেসেঞ্জর ১৩,০০০ দা চৈথেং পীখি। লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৬.০৭ তাবদা লাইন মাপনমক লেপখি। জপানদা থ্রেট অমত্তা লৈতে হায়না শেংনা খঙলবা মতুং পুং ৬.১৭ তাবা মতমদা সার্ভিস মখা চথ্থবা হৌখি।

মিসাইল লোঞ্চ অমগা মরী লৈননা মেত্রো সার্ভিস লেপ্পসি মদুনা অহানবনি হায়না তাকিজৱানা ফোঙদোকখি।

অচৌবা য়ুহা হাবশিং থোক্লকপগা জপানদা মহৌশানা খুদক্তা ট্রেন সার্ভিসশিং লেপ্নখি, তৌইগুম্বসুং টৌকিয়ো মেত্রোনা থা অসিগী অঙনবদা মিসাইল লোঞ্চকী ৱার্নিংশিংদসু লেপ্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

ইরাই নুমিৎকী অথেংবা অহিংদা (য়ু কেগী মতমদা) নোর্থ কোরিয়ানা মিদিয়ম রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপখ্রে হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। মিসাইল অদু পাইখৎলবা মতুং মিনিট খরগী মনুংদা লমখাংদা কায়খি।

# য়ু এসনা সাউথ কোরিয়াদা থাদ এন্টি-মিসাইল সিষ্টেম দিপ্লোই তৌবগী অচঙমল পুথোক্কনি হায়না থাজবা পীখ্রে

সিওল, এপ্রিল ৩০ : টি ঐচ এ এ দি এন্টি-মিসাইল সিষ্টেম দিপ্লোই তৌবগী অচঙমল পুথোক্কনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অমুক হন্না থাজবা পীরক্লে হায়না সাউথ কোরিয়ানা ফোঙদোকখ্রে। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী পামদবা থৌওংশিং ঙাকথোক্নবা মওংদা দিজাইন তৌবা দোলর বিলিয়ন অমগী বেটরি অদুগীদমক্তা সিওলনা শেল তিংগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা নুমিৎ খরগী মতুংদা সাউথ কোরিয়ানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা টেলিফোন কোল অমা তৌদুনা ত্রম্পকী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর ঐচ আর মেকমাষ্টরনা সাউথ কোরিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবা কিম ক্বান-জিনদা অমুক হন্না থাজবা পীরদুনা এসিয়া-পেসিফিক রিজনদা য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী এলাইঅন্স অসিদা ৱাশিংটননা খ্বাইদগী হেন্না মিৎয়েং থমই হায়রকখি হায়না সাউথকী প্রসিদেন্সিয়ল ওফিসনা হায়খি।

ৱারী শানবদুগী মতুং থাংজ নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়ানা অতোপ্পা মিসাইল চাংয়েং অমা পাঙথোকখি। মালেম পুম্বনা কন্দেম তৌনখিবা মিসাইল লোঞ্চ অদু ৱাশিংটন অমসুং সিওলনা লমখাংদা পোকখায়দুনা ফেল ওইখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মিসাইল চাংয়েং অদুগী মতুংদা নোর্থ কোরিয়াদা মহাক্না করি পাউজেল পীনিংবগে হায়না হংবদা ত্রম্পনা পাউমীশিংদুদা ‘মদু নখোয়না য়াম্না থুনা খঙলগনি’ হায়খি তৌইগুম্বসুং য়ু এসকী রেস্পোন্সতু করম্বা মওংগী ওইগদগে হায়বদুদি মহাক্না শেংনা পনখিদে।

শগোলশেল নুমিৎতা ন্যুজ এজেন্সি রোইটর্জগী ইন্টরভিয়ু অমদা ত্রম্পনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদা মহাক্না সিওলবু থাদ দিপ্লোইমেন্টকী অচঙমল পুথোকহনবা পামই হায়না পনবা য়াওখিবদা সাউথ কোরিয়নশিংনা চঙ্ক্নখি অমসুং লৈবাক অনীগী এলাইঅন্সতা মহাক্না পীরিবা কম্মিটমেন্টকী মতাংদা চিংনবা ৱাহং কয়া হংখি।

সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা ত্রম্পকী ৱাফমদুগী পাউখুম ওইনা বাইলেটরেল এগ্রীমেন্টকী মখাদা ৱাশিংটননা এন্টি-মিসাইল সিষ্টেমদু দিপ্লোই তৌবগী অচঙমল পুথোকফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি।

# অফঘান ফোর্সশিং ট্রেনিং পীনবা য়ু এসকী মরিন ৩০০ হেলমন্দদা থুংখ্রে



কেম্প সোরাব, অফঘানিষ্টান, এপ্রিল ৩০ :

লালহৌবগী ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনরিবা অফঘান ফোর্সশিংবু ট্রেনিং পীবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা সাউদর্ন অফঘানিষ্টানগী ঈরাং কনবা প্রোভিন্স হেলমন্দদা য়ু এসকী মরিন-কোর অমুক হন্না লাক্তুনা থুংখ্রে। মমাঙদা লমদম অদুদা মরিন কোরনা চহী কয়া টালিবানগা লাল শোক্নখিবনি।

নেটোনা লুচিংবা রেজলুট সপোর্ট ট্রেনিং মিসনগী শরুক ওইনা হেলমন্দদা লাক্লিবা মরিন ৩০০ দুগী মনুংদা মরিন কয়া মমাঙদা প্রোভিন্স অদুদা লাকখিবা মরিন কাঙবুশিংগী ভেটরানশিং ওই হায়রি। প্রোভিন্স অদুদা টালিবানগা লাল শোক্নবদা কোলিসনগী ক্রুপ ১০০০ রোম শিখিবনি। শিখিবা অয়াম্বনা য়ু এস অমসুং বৃটিশ ক্রুপশিং ওইখি।

মখোয়না কুমজা ২০১৪ দা কেম্প লেদরনেক হায়না খঙনখিবা লৈকংলাগী চাউরবা বেজ অদুবু অফঘান আর্মিদা শীন্নরম্লগা লৈবাক অসিবু থাদোক্তুনা চৎখিবা মতমদা মরিনশিংনা অমুক হন্না মফমদুদা হল্লক্কনি হায়বসি থাজখিদে হায়রি।

মখোয়না মফমদুদা অমুক হল্লক্লিবদুনা অফঘান ফোর্সশিংবু অতৈগী মতেং য়াওদনা টালিবান থেংননবা থাদোক্লমখিবদগী হৌজিক অফঘান ফোর্সশিং প্রোব্লেম কয়া মায়োক্নরক্লে হায়বদু উৎলি হায়রি।

য়ু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি জেমস মাটিসনা হৌখিবা চয়োলদা ২০১৭ অসি তরায়বা চহী অমা ওইরোই-দৌরি হায়না চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখিবা লৈরবসু দিপ্লোইমেন্ট হৌবদা ফোঙদোক্নবা ৱাফম কয়া পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইখি।

‘ঐহাক হেলমন্দদা অমুক হল্লকপসিদা পূক্নিংদা মথুম-মরাং হৌই’ হায়না ষ্টাফ সার্জন্ট জোজ কান্ডৱেলনা হায়খি। মহাক হান্না হেলমন্দগী খা ইথং থংবা শরুক্তা থা ৮ লৈদুনা কোম্বাট ওপরেসনশিংদা শরুক য়াবদা নত্তনা অফঘান বোর্দর পুলিসতা ট্রেনিং পীবদসু য়াওখি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৯ অমসুং ২০১৪ গী মরক্কী চহীশিং অদুদা মরিন লিশিং কয়া হেলমন্দদা সার্ভ তৌখি। অফঘানিষ্টানদা ফোরেন ক্রুপশিংনা শোক্নখিবা শাথিরবা লাল খরদি মফমসিদা ওইখি।

# লি পেননা ফ্রান্সতা করেন্সি অনী চৎনহনবগী সিষ্টেম অমা প্রপোজ তৌখ্রে



পেরিস, এপ্রিল ৩০ : ফ্রান্সকী ফার-রাইট নেসনল ফ্রন্ট লীদর অমসুং প্রসিদেন্সিয়ল কেন্দিদেট মরিন লি পেননা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফ্রান্সকী ওইনা করেন্সি অনী থম্বগী সিষ্টেম অমা প্রপোজ তৌখ্রে। মহাক্কী মোত পীরদুনা লি পেননা লৈবাক অসিগী ইকনমিগীদমক্তা নেসনল করেন্সি অমা অমসুং ইন্টরনেসনল ট্রেদকী ওইনা অতোপ্পা অমা চৎনহনগদবনি হায়খি। অমরোমদা মহাক্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা চৎনরিবা ‘য়ুরো’ শিরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

‘অতৈ লৈবাক পুম্নমক্তা তৌনবগুম ঐখোয়গী নেসনল করেন্সি অমগা লোয়ননা কমন করেন্সি অমসু চৎনগনি’ হায়না লি পেননা ফ্রেঞ্চ দেলি লি পেরিসিএনগী ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি। মহাক্কী প্রপোজল অসিগী মতুং ইন্না অনৌবা ফ্রেঞ্চ ফ্রাঙ্ক অমনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্না শিজিন্নগদবা করেন্সি ওইরগা য়ুরোনা ইন্টরনেসনল ট্রেদিংদা শরুক য়ারিবা অচৌবা কম্পেনিশিংগী ওইগনি।

মে ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিয়ল মীখলগী অনীশুবা রাউন্দদা সেনট্রিষ্ট কেন্দিদেট ইমান্যুঅল মেক্রনগা লম্বা তৌনগদৌরিবা লি পেননা হায়রি মদুদি, ফ্রান্সতা থবক ফংদবগী অচৌবা প্রোব্লেম অমা লৈরিবসি মরু ওইনা য়ুরোনা থোকহনবনি। মরু ওইনা য়ুরো অসি ফ্রেঞ্চ ইকনমিগা চাননা শিজিন্নবা য়াদে।

মহাক্না মখা তাখি মদুদি, করিগুম্বা মহাক্না মীখলদা মায় পাক্তুনা প্রসিদেন্ট ওইবা তারবদি মহাক্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা নৌনা নিগোসিয়েট তৌনদুনা মরু ওইবা সভরন্টি মরি টেরিটরিয়ল লেজিসলেটিভ, ইকনমিক অমসুং মণিটরি অসি অমুক হন্না ফংনবা হোৎনগনি।

## য়েমেনদা দ্রোন ষ্ট্রাইক্তা কাইদাগী সসপেক্ট ৫ শিখ্রে

অদেন, এপ্রিল ৩০ : য়েমেনগী কেপিটেল সানাগী নোংপোক্তা নোংমাইজিং নুমিৎতা চথ্থখিবা য়ু এসকী দ্রোন ষ্ট্রাইক অমদা লৈবাক অসিদা লৈবা অল-কাইদা ব্রাঞ্চকী মেম্বর ৫ শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ময়ায় থংবা মরিব প্রোভিন্সতা অয়ুক অঙনবদা চথ্থখিবা ষ্ট্রাইক অদু কার অমদা টার্গেট তৌখি। কার অদু বাইদা প্রোভিন্সকী য়াক্লাদগী খুৎশু-খুৎলায় কয়া পুখিবনি হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা মিলিটরি ওফিসল অমনা এ এফ পিদা হায়খি।

ওফিসল অদুনা হায়খি, কার অদু য়েমেনগী অল-কাইদাগী লোকেল লীদর অমগীনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মসিবু রেদিকেল গ্রুপ অদুগী খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীনিঙাই ওইরবা ব্রাঞ্চনি হায়না লৌরি। সাউদর্ন সাবৱা প্রোভিন্সতা চথ্থখিবা মান্নবা রেইদ অমদা ব্রাঞ্চ অসিগী মেম্বর অহুম শিখিবা মতুংদা নোংমাইজিং নুমিৎকী দ্রোন ষ্ট্রাইক অসি লাকখিবনি।



HL-B/3784/26/03-26/04

## EMPLOYMENT NEWS

### UPSC Recruitment – Union Public Service Commission – Combined Medical Services Examination, 2017 (710 Vacancies) – Last Date 19 May 2017

**UPSC Recruitment 2017**
Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of Combined Medical Services Examination, 2017 (710 Vacancies). Apply Online before 19 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 09/2017-CMS
**UPSC Job Details :**
Post Name : Combined Medical Services Examination, 2017
No of Vacancy : 710 Posts
**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification : Candidate should have passed the written and practical parts of the final M.B.B.S. Examination.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 32 years as on 01.08.2017
Age Relaxation : For OBC Candidates 3 years, For SC/ST Candidates 5 years & For PH Candidates 10 years

**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.
**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.
**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 19.05.2017 till 06.00 PM thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 19.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/CMS_17_Notice_English.pdf
***Apply Online :*** *https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php*

### Nausena Bharti – Indian Navy Recruitment – Sailor MR (Musician) Vacancies – Last Date 19 May 2017

**Nausena Bharti – Indian Navy Recruitment 2017**
Indian Navy invites application from unmarried male candidates for Sailor vacancies for MR (Musician) – 02/2017 Batch. Apply Online before 19 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Indian Navy Job Details :**
Post Name : Sailor for MR (Musician) – 02/2017 Batch
No. of Vacancies : Not Specified
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2000/-
**Eligibility Criteria for Nausena Bharti Recruitment:**
Educational Qualification : Candidates should have passed the 10th standard (Matriculation examination).
Nationality : Indian
Age Limit : Born between 01 Oct 1996 to 30 Sep 2000 (Both dates inclusive).
**Job Location : All India**
**Selection Process:** Selection will be based on Preliminary selection, PFT and Medical Examination.
**How to Apply Indian Navy Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents in an envelope should be super scribed with “The type of entry, choice of centre and percentage of marks in 10th” through ordinary post to the Commanding Officer, (for Director of Music) INS Kunjali, Colaba, Mumbai – 400 005 on or before 19.05.2017 & 29.05.2017 for remote areas.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 19.05.2017
Last Date for Submission of Application form (remote areas) : 29.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.joinindiannavy.gov.in/files/event_attachments/davp10701-11-0008-1718_MR_Musician_02-2017_Batch.pdf
**Download Application form :** http://www.joinindiannavy.gov.in/files/event_attachments/Application_Form_MRMUS_02-2017_batch.pdf

### IOCL Recruitment – Indian Oil Corporation Limited – 74 Jr. Engineering Assistant, Jr. Materials Assistant & Junior Quality Control Analyst Vacancy – Last Date 19 May 2017

**IOCL Recruitment 2017**
Indian Oil Corporation Limited (IOCL) invites Application for the post of 74 Jr. Engineering Assistant, Jr. Materials Assistant & Junior Quality Control Analyst for its Haldia Refinery. Apply Online before 19 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : PH/01/2017
**IOCL Job Details :**
Post Name : Jr. Engineering Assistant
No of Vacancy : 66 Posts
Pay Scale : Rs. 11900-32000/-
Post Name : Jr. Materials Assistant
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 11900-32000/-
Post Name : Junior Quality Control Analyst
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 11900-32000/-
**Eligible Criteria for IOCL Recruitment :**
Educational Qualification :
For Jr. Engineering Assistant/Jr. Materials Assistant : 3 years full time, regular/sandwich Diploma in relevant Engg. or B.Sc (Maths, Physics, Chemistry or Industrial Chemistry) from a recognized Institute/University with minimum of 50% marks in aggregate for General & OBC candidates and 45% in case of SC/ST candidates against reserved positions.
For Junior Quality Control Analyst : B.Sc. with Physics, Chemistry & Mathematics with minimum of 50% marks.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 26 years
Age Relaxation : For SC/ST Candidates 05 years & For OBC Candidates 03 years
**Job Location : West Bengal**
**Selection Process :** Selections for engagement would be based on Written Test and a Skill/Proficiency/Physical Test.
**Application Fee :** General & OBC Candidates Have to Pay Rs.150/- through Demand Draft in favour of Indian Oil Corporation Ltd., Payable at State Bank of India, Haldia Refinery Campus Branch. (Branch Code: 7090). SC/ST candidates are exempted from payment of application fee.
**How to Apply IOCL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website https://www.iocl.com from 29.04.2017 to 19.05.2017 & Send the printout along with all supporting documents & Demand Draft with name, address, post code to The Chief Human Resource Manager, Indian Oil Corporation Limited, Haldia Refinery, P.O.: Haldia Oil Refinery, Dist.: Purba Medinipur, West Bengal, Pin Code-721 606 on or before 29.05.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 29.04.2017
Last Date for Submission of Online Application : 19.05.2017
Last Date for Submission of Printout of Online Application : 29.05.2017
**Important Links :** Detail Advertisement Link : https://www.iocl.com/download/AdvertisementHaldiaRefPHR012017.PDF
***Apply Online :*** *https://www.iocl.com/PeopleCareers/job.aspx*